# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 19-06-2024)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা এরিয়া দোমিনেসন অমদি থিবা হুম্বগী থবক কন্না চথরি।

বিষ্ণুপুর অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাগী তায়নবা মফম খুজাইরোক তুরেল এরিয়াদগী য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে। খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর. অমা, বোল্ট এক্সন রাইফল অমা, চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অমা, পোইন্ট থ্রি জিরো থ্রি ঐচ.দি. করটিজ ১৩, গ্রেনেদ আরমিং রিং মরি, ট্যুব লোঞ্চ মঙা, টু ইঞ্চকী মোটার সেলনচিংবনি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা সেনাপতি জিলাগী মাওদগী সাপোন কেপতা ব্রাউন্দ সুগর পুরন্বা মীওই অমা ফাগৎপা ঙমখ্রে। নেসনেল হায়ৱে ৩৭ অমসুং নেসনেল হায়ৱে টুদা পোৎ-চৈ পুবা গাড়িশিং ইম্ফালোমদা চংল্লকখ্রে।

**জিরি (এল)ঃ** থা অসিগী তরুক্তগী হিংশাগী থৌদোকশিং থোরকপনা মরম ওইরগা সি.আর.পি.সিগী ধারা ১৪৪ গী মখাদা জিরিবাম জিলাদা থল্লকখিবা কার্ফিয়ু অদু জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী এরিয়াগী ওইনদি ঙসি অয়ুক পুং ৯ দগী নুংথিল পুং অমা মখায় ফাওবা কোমথোক্কনি।

**ডে (এল)ঃ** নেসনেল পব্লিক হেলথ দের্ন্টিসত্রি নুমিৎ ঙসি ইম্ফালগী রিমস হোস্পিতালগী জব্লি হোলদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসি রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিক হেলথ দের্ন্টিসত্রি দেন্টেল কলেজনা শিনবনি। কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী থিমনা ‘য়ুটিলাইজিং বিহেবিয়ার সাইন্সেস টু প্রমোট ওরেল হেলথ’ হায়বসিনি।

**ত্রেন্নিং (এল)ঃ** কন্সট্রক্সন ওফ ওটোনোমস মল্টি রোটোর য়ু.এ.ভি. ফোর ওফসটেকল আবোইদেন্স হায়বা হীরমদা নুমিৎ মঙানি চথুগদবা বুথ কেম্প ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি মনিপুর টেকোলোজি ইনোভেসন হফতা হৌদোক্লগনি।

ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসিদা মল্টি রোটোর য়ু.এ.ভিগী মতাংদা তাকপী তম্বীবগা লোয়ননা ক্বাটকোপটর ফ্রেম পানখৎপগী মতাং, য়াওনা দ্রোন পাইবদা দি.জি.সি.এগী চৎন-কাংলোন য়াওনা ওটোনোমস মীসন, ওবজেক্ট আবোইদেন্স য়ু.এ.ভিগী মতাংদা অখণ্ড অহৈশিংনা তাকপী তম্বীগদৌরি।

**আর্মি (এল)ঃ** মনিপুর সুপর ফিফতিগী কোচিং ক্লাস য়াওবা মহৈরোই ১২ নিট ইগজাম মায় পাক্লকখ্রে। সুপর ফিফতি হায়রিবা থৌরাং অসি ভারত লান্মীনা এস.বি.আই. ফাউন্দেসন অমদি এন.আই.ই.দি.ওগা খুৎশমদুনা শোত্থরবা মহৈরোইশিংদা তোঙান তোঙানবা কম্পিটিটিব ইগজাম থানবা কোচিং ক্লাস পীবনি। ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাদা মায় পাক্লকখ্রবা মহৈরোইশিংবু ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোক্কনি। মদুদা, জি.ও.সি. রেড সিল্ড দিভিজন শরুক য়াগনি।

**মেটঃ** ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই.এম.দি) না হায়রি-লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমনি অসিদা অৱাং নোংপোক ভারত অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোলগী মফম খরদা অকনবা নোং চুরবা য়াই। লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা ভারতকী খা থংবা শরুক্তা অখাক অরাও য়াওনা অকনবা নোং চুগনি।

অমরোমদা, ভারতকী নোংপোক অমসুং অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা ঙসিদগী নোং তারবা য়াই।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি বিহারগী নলানন্দা জিলাগী রাজগীরদা নৌনা শাবা নলান্দা য়ুনিভরসিতিগী কেম্পস শঙ্গাগনি।

শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা লৈবাক ১৭ কী মকোক থোংবা লুচিংবশিং শরুক য়াগনি। লম একর ৪৫০ রোমদা শারিবা য়ুনিভরসিতি অসিদা সোল্লর প্লান, দোমেষ্টিক, দ্রিঙ্কিং ৱাটর ত্রিটমেন্ট প্লান অমসুং ৱাটর রিসাইক্লিং প্লানচিংবা য়াওরি। য়ুনিভরসিতি অসিদা নৌনা স্কুল ওফ হিষ্টোরিকেল ষ্টদিজ, স্কুল ওফ ইকোলোজি এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট ষ্টদিজ য়াওনা অনৌবা স্কুল তরুক হাপচিল্লে।

**ধনকরঃ** উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকর ঙসি মধ্য প্রদেসকী দিনদোরিদা চৎকনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা শ্রী ধনকরনা মফম অদুদা পাঙথোক্কদবা ৱার্ল্ড সিকল্ড সেল নুমিৎ থৌরমদা শরুক য়াগনি।

থৌরম অদুদা রাজ্যপাল-মঙ্গুভাই পতেল অমসুং মুখ্য মন্ত্রি-মোহোন যাদব শরুক য়াগনি।

**গান্ধিঃ** কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধি, কেরলাগী ৱায়ানন্দ লোক সভা কেন্দ্রগী মীহুৎ ওইবদগী রিজাইন্দ তৌখ্রে। মহাক্কী রিজলাইন্ট তৌবগী চেরোল লোক সভা অধ্যক্ষ-ওম. বিরলানা অয়াবা পীখ্রে। লোয়ননা, প্রিয়াঙ্কা গান্ধি ভদ্রানা ৱায়ানন্দ লোক সভাদা মীখল থেংনগনি হায়না কংগ্রেস লুচিংবা মালিক অরজন্ খর্গেনা ফোংদোকখ্রে।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা-মন কি বাট থা অসিগী ৩০ দা অকাশবানিগী থোংদা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি শ্রী মোদিনা অহুমলক শুবা ওইনা লৈবাক অসিগী প্রধান মন্ত্রি ওইরবা মতুংদা অহানবা ওইনা শন্দোক্কদবা থৌরমনি। হন্দক্কী অসিনা শ্রী মোদিগী মন-কি-বাটকী ১১১ শুবা তাঙ্ককনি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা সোসিএল মিদিয়াদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা থৌরম অসিদা শরুক য়ানবগীদমক মীয়ামনা টোল ফ্রি নম্বর ১৮০০-১১-৭৮-০০ দা ফোন তৌরক্কুনা ৱাখল্লোন অমসুং

সজেসন চৎলিবা থা অসিগী ২৮ ফাওবদা পীরকবা হায়রি। মসিগা লোয়ননা মীয়ামনা নরেন্দ্র মোদি এপ নৎত্রগনা মাই গোভ ওপন ফোরমদসু পীশিল্লকপা য়াগনি হায়না ফোংদোক্লি।। মন কি বাট থৌরম অসি অকাশবানি অমদি দুরর্দশনগী চেন্নেল খুদিংমক্তা তাবা ফংগনি।

**জেল্লিনঃ** ফিনলেন্দদা শান্নবা পাভো নুরনি গেমস ২০২৪ গী জেল্লিন থ্রোদা ভারতকী নিরজ চোপ্রা মায় পাকখ্রে। ওলিম্পিক গোল্ড মেদালিষ্ট অসিনা গেমস অদুদা মিটর ৮৫.৭৯ লংদুনা মকোক তাখিবনি।

ফিনলেন্দগী তোনি কেরালেননা অনিশুবা তাদুনা লুপাগী তকমান ফংখি।

**ফুটবোলঃ** য়ুনিয়ন ওফ য়ুরোপিয়ন ফুটাবোল এসোসিয়েসন (য়ুৱেফা) না শিনবা য়ুরোপ কপ-২০২৪ গী ঙসি অয়ুক অঙনবদা শান্নখিবা গ্রুপ (এফ) কী মেটচ অমদা পোরটুগলনা জেক রিপল্লিকপু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

পোরটুগলগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু-রোবিন রেনেগনা মেটচকী মিনিট ৬৯ চৎপদা ওন গোল চনখি। লোয়ননা মেটচ লোইরমদাইদা অনিশুবা পাঞ্জল অদু ফ্রান্সিসকোনা চনখিবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নহারোলগী থৌদাংগী পাউচেগী হেদলাইন অসি জন্ ১৮ গী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা সব হেদলাইন অনিসু পীরি। অহানবা সব হেদলাইন অসি মনিপুর মচেৎ থুগায়নবা হোৎনরক্লবদি হেন্না শাথিবা জন্ ১৮ অমা থোক্কনি হায়না য়ু.সি.এমগী প্রসিদেন্ট-জয়চন্দ্রনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অসিনি। অনিশুবা হেদলাইন অসিনা ইরৈবাক ঙাকচববু আইননা য়াদে হায়রবদি সুভাসচন্দ্রসু আইননা য়াদে

হায়গদৌরিব্রা হায়না অমুকোগী প্রসিদেন্ট-নন্দোনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অসিনি।

দা গ্রেট জন্ অপরাইজিং য়ুনিতি ডে থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়বা বেন্নর হেদলাইন অসিনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি। জন্ ১৮ গী নীংশিং থৌরম পাঙথোকপগী পাউ অসি ঙসি ফোংবা অয়াম্বা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইনা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে। ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মোরনিং বেল অমসুং মনিপুর মেলগী অহানবা লামাইদা জন্ ১৮ গী পাউ অসি তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা মরুওইবা পাউ অমা ওইনা ফোংলি। তমেংলোং টাইমস অমসুং দা চাম হায়রিবা পাউচেশিং অসিদসু জন্ ১৮ গী পাউ অসি মরুওইবা পাউ অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

মনিপুরগী মীফমদা সি.এম. য়াওহন্দবা, লৈঙাক, মীয়ামবু ইকায় পীবনি হায়না কংগ্রেসনা থল্লকখিবা ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগীনা অহানবা হেদলাইন ওইরি।

সি.এম. য়াওহনখিদবদু সেন্টরগী তৌনিংবতা তৌবা লিচৎ অদু উৎথোকপনি হায়বা হেদলাইন অসিনা পোকফম পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইননি। হেদলাইন অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু অনিশুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

হৌজিক লৈরিবা মনিপুর লৈঙাক অসিদি হিংলিব্রা নৎত্রগা শিরবা হায়বদু ফাওবা হায়বা ঙমদ্রে হায়না কে. মেঘাচন্দ্রনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হুইয়েন

লানপাউদা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। হেদলাইন অসিগী মখাদা অঙাংবা মচুনা হাইলাইট তৌদুনা মনিপুরদা আর্টিকলচর ৩৫৫ নৎত্রগা ৩৫৬ চৎনবগুমলে। ষ্টেট লৈঙাক্কী মৱা লৌবিদ্রে হায়না সব হেদলাইন পীরি।

ওইল টেঙ্কর, এল.পি.জি. দ্রাইভরশিং ষ্টেরিং থাদোকপগী খোঙজং হৌখ্রে। পোৎ-চৈ পুবা ত্রক ৭৪ রোম ইস্কোর্ট তৌদুনা জিরিদগী ইম্ফালদা থৌদোকখ্রে। হেদলাইন অসি সনা লৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইনি। পাউ অসি তমেংলোংদা ফোংবা গানফিয়ু মেল হায়রিবা পাউচে অসিদসু অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

চুরাচান্দপুরগী অঙাং চাদা ৮০ লাইরিক তন্বা তোক্লে, বঙ্করদা দ্যুতি তৌদুনা লৈরে হায়বা হেদলাইন অসি মনিপুর ন্যুজগী অনিশুবা হেদলাইননি।